থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# কোভিদ-১৯- এস ও পি অমদি ষ্টেজ-পর্ফোর্মর

‘পুন্সি হায়বসি অইবা কয়ানা, থিংকর কয়ানা মওং কয়াদা শক তাক্লে। মান্নদবা ৱাহে কয়াদা ৱাহন পীনৈ। অতোপ্পনা হায়রম্বা ৱাহায়শিংদুদি অমুক হঞ্জিন্না ইজররোই, ঐগী ওইবা ৱাশেম অমসু পুথোকচরোই। ‘পুন্সি’ হায়সি থৱায় পানবা জীব অমগী পোকপা অমসুং শিবগী মরক্তা হিংদুনা লৈরিবা মতম মতম অদুগী মমিংনি। তূমিৎ-কাঙ-উপাল-ৱাপাল-শা-ঙা … পোকপা-শিবা নাইবা ময়াসিগী মরক্তা, ‘পুন্সি’ হায়বসি করিনো খঙবা থৱায় পানবা অমত্তা য়াওদে, ‘তাইবঙ-মী’ (হ্যুমেন বিইং) কৌবা জীব মখল অসিখক নত্তনা। পোকপা-শিবা নাইরমদ্রবা, পুন্সি হায়বসি লৈরল্লোই। পুন্সি মশক খঙদ্রিঙৈ, পোকপা-শিবা করিনো হায়বদুসু খঙলক্তে। পুন্সি মশক খঙলকঙৈ, মীওইবনা খ্বাইদই কিবসি ‘শিবা’ হায়বসি ওইরম্মী। নোংমদি শোয়দনা শিরগদবা মপোকসি, ’শিনি হায়বা ৱাখলদু কাউথোক্তুনা হিংনরিবনি। ‘শিননবা হিংবনি’ হায়বদি কনানসু হায়নদে, হায়নৈ ‘হিংননবা হিংব’নি। ঐদি খঙদে - হিংননবা হিংবা হায়রিবসি করিনো?

পুন্সিগী ফিলোজোফি নৈনগে খন’ ৱারেং অসি ইজরুবা নত্তে। কোভিদ-১৯ কৌবা মহীক মখল অদুনা ২০২০ কৌবা চহী অসিদা, মীওইবদা পীরকপা চৈথেং অসিগী খল্লুবা, হান্না হিংনরম্বা পুন্সিগী শকওং হোংলকপা, হিংদুনা লৈনবগীদমক শিল্পম-শিন্থা পূম্নমক তুংওইনখিবা … অনৌবা অওনবা অসিনা হোংহল্লকপা ৱাখল-লিক্লম অসিদা উরকপা পুন্সি শক্তম খরদু মীয়ামদা পাউদমজনীংলুবনি। কোভিদ-১৯ ভাইরস’না শোকহল্লবা ইকোনোমি … ইকনমিক এক্টিভিটি পূম্নমক লেপহনখ্রবা মীয়ামসিবু হিংহন্নবা, লায়নাসিনা শোকহল্লবা মীওইশিংবু লায়েংনবা হোৎনবগী মিংদা পোলিটিসিয়নশিংনা লৈবাক্কী শেঙ্গাও কোৎথোক্তুনা মরন্নাই লনগৈ থলহল্লিবা … ভাইরস অসি কৈদৌঙৈ লাকশিন’ঙমগনি হায়বদুদি কনানসু হায়বা ঙমদ্রিবা… মকা লাম্না হিংলম্বা পুন্সিগী মমি শাল্লবা শক্তমশিং… পূম্নমকসিনা ঐবুসু মওল মওল খলহল্লি, ৱাখল চরাঙনহল্লি।

ঙসি ঐনা ইগে কলম পায়খৎলুরিবা, তোয়না উন’-তানরবা, শিল্পম-শিন্থা ময়ামদুগী মরমদা নত্তে। ইশানা পামজনা তৌরম্বা, হিংনবই পান্থে অমা ওইনা পায়রম্বা শিনফম অমদি ওইখিদবা ‘থিয়েটর’ হায়বা পর্ফোর্মেন্স আর্ট অদুগী তুংলমচৎকী খল্লুবদনি। মায় তঙ্খায় খুন্বা মায়খুম - ফি, মী অমগা অমগা অমগগী মরক্তা ফুট তরুক (মিটর অনী) লাপ্পা লৈনবা, খূৎ তোয়না সাপোন শীজিন্নদুনা হামদোকপা … মালেমসিদা লৈরিবা মীয়াম পূম্নমকসিগী ‘হিংদুনা লৈনব’গী অমত্তা ঙায়রবা পান্থেনি … মীকূপ খুদিং মীয়াম খুদিং য়ৌননবা পাউজেল ওইনা চেল্লিবনি। মীয়াম তিনবা মীফম, লাইনীং-লাইশোন, কুমহৈ-ফিহোং, লাইরিক তন্ফম-মহৈশঙ … পূমথিং থিংদুনা থল্লক্লিবা, চহী ফারক্কদৌরে। কৈদৌঙৈ হান্নগুম হাংগনি? কনানসু হায়বা ঙমদ্রি। এস ও পি হায়না খঙনবা, মীরক্তা করম’ তিনগদগে, করম্বা হৈনবী অমা শেমগৎকদগে হায়বা ইন্সত্রক্সন ময়াম অমনা লিভিং কন্দিসন ওইরক্লে। মীওই লিশীং লিশীং তিনবা ষ্টেদিয়মশিংগী শান্নবুংদা শান্নরম্বা শান্নরোয়শিং - য়েংবীনবা কনা লাক্ত্রবদা, পূমহাঙ হাঙবা ষ্টেদিয়মশিংদা শান্নবা তারক্লে। হৈনরমদবা হৈনরক্লে। মীওই চা কয়ানা মমল পীরগা য়েংলম্বা ‘সিনেমা’ - সিনেমা হাউজশিংদা অয়েংবা লাকখিদ্রব’দা, ওনলাইন’গী খূথাংদা অয়েংবশিংগী মোবাইল-ফোন/কম্প্যুটরগী অপিকপা স্ক্রিন’দা য়েংহন্দুনা শেল খোমগৎনবা অতোপ্পা পান্থে পুথোক্লরক্লে। পান্থে অসি মণিপুর’দসু য়ৌরক্লে। মতমগা ঈরোইননা চৎপা ঙম্বা সিনেমা প্রোদ্যুসর খরদি, সিনেমা হোল’দা রিলিজ তৌবদগী সেটিলাইটকী মতেংদা ওনলাইন’দা রিলিজ তৌবনা হেন্না শেন্দোং ফংবা বিজিনেস অমনি খন্দুনা থবক চঙশিন্নখ্রে। সিনেমা হোলশিংদগী থা অমদসু খোমগৎপা ঙমদবা শেনফমদু পুং খরদা ইরায় লায়না খোমগৎপা ঙম্মী হায়রক্লে। কোভিদ-১৯না পুরকপা অহোংবা অসি মণিপুরী সিনেমা’গীদমক্তি ‘ব্লেসিং-ইন-দিসগাইজ’ (শকউদনা পীরকপা থৌজাল) ওইনা থোক্কদৌরে।

অদুবু, লিভিং আর্ট’নি হায়নরিবা ‘অহিংবা কলাকারশিংনা অহিংবা ওদিয়েন্সশিংগী মমাঙদা উৎপা অহিংবা কলা’ (জগোয়/লীলা/থিয়েটর) সিগীদমক্তি ‘কর্স’ (শাপ) অমা ওইনা থোক্লরে। অহিংবা ওদিয়েন্সকী মমাঙদা পর্ফোর্ম তৌদ্রবদি কলাগী মতিং উৎথোকচবা ঙমদবা ‘কলা’ - ওদিটোরিয়মদা ওদিয়েন্স লাক্ত্রবদা, ‘কলা’ দু করম’ হিংগনি? অয়েংবশিংদি লাক্লরোই। চেবাউ কত্তুনা, লেম্না য়েংবীরোলাউ হায়দুনা হায়জরবদসু লাকপীয়ু য়াদ্রবা মণিপুরগী থিয়েটর-ওদিয়েন্স’নি। ইহাঙ হাঙবা লমহাঙগী ফম্বাক অমই অকোয়বদা পুমকোয় কোয়না ফম্লগা থৱায় তানা য়েংলম্বা শুমাং-লীলা’সু সোসল/ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা ফমফম শেম্লগা য়েংবা হৈরোই খঙবনা লীলা-শান্নবই অয়াবসু হৌজিক-হোরেন পীরক্লোই। শুমাং-লীলা-শঙলেন’দসু নুমিৎ খুদিং লেপ্তুনা শান্নরবা, য়েংবীনবা লৈরক্লোই। মমল লৌরগা, চীংয়া তময়া শীনবা থুংনা উৎলগা হিংনবা পান্থে ওইরম্বা পর্ফোর্মরশিং, করি তৌদুনা হিংগনি? বোল্লিৱুদকী এক্টরশিং, লম্বীদা পোৎ য়োল্লক্লনি - সোসল মীদিয়াদা ঙাঙনরক্লিবনি।

অয়েংবশিংগী প্রোব্লেম নত্তবা, পুমতোপ তোপ্পা, নৈনদবা য়াদবা অমনি - পর্ফোর্মরশিংগী প্রোব্লেম! মায় পাকপা পর্ফোর্মেন্স অমা ওইরক্লবা, রিহার্সেলগী এস ও পি; অমদি পর্ফোর্মরশিংগী ষ্টেজ-পর্ফোর্মেন্স - সোসল দিষ্টেন্সিং, ফেস-মাস্ক স্পেসল দিজাইন তৌদুনা প্রোপর্টি অমা শেমগদ্রা? নৎত্রগা, পর্ফোর্মর/ষ্টেজ এক্টরশিংগীদমক্তি এস ও পি’দা স্পেসল প্রোভিজন থমগদ্রা?

লৌশিং পুক্কে

# কোভিদ-১৯না নারবা মীরোনবী নুপীশিংনা ফিভম থীনা নাবা অমদি শিবগী রিস্ক মায়োক্লবা হেল্লি: ষ্টদি

কোভিদ-১৯না নাবা মীরোনবী নুপীশিং ফিভম থীনা নাবা অমদি শিবা য়াবগী রিস্ক ৱাংই, অমদি থা শুদনা অঙাং পোকপগী রিস্ক হেনগৎলকই হায়না যু এস সেন্টর্স ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)না থাদোরকখিবা রিপোর্টনা হায়রি।

অপুনবা মীয়ামগী ওইনা য়েংবদা কোভিদ-১৯না নাবা মীওইশিংদা য়াম্না শাথিনা নাবা নৎত্রগা শিবগী চাং নেম্লবসু লায়না অসিনা নারবা মীরোনবী নুপীশিংনা অতোপ্পা নুপীশিংদগী হেন্না ইন্টেন্সিভ ক্যের, ভেন্টিলেসন অমদি হার্ট অমসুং লংস সপোর্টনচিংবা মথৌ তাবা য়াই হায়বা সী দি সীগী রিসার্ছরশিংনা থেংনখ্রে।

অঙাং থা শুদনা (চয়োল ৩৭গী মমাঙদা) পোকপগী চাং কোভিদ-১৯না নাদবা নুপীশিংদা চাদা ১০.২ ওইবা মতমদা কোভিদ-১৯ নাবা নুপীশিংদা চাদা ১২.৯ য়ৌই হায়বসু অতোপ্পা ষ্টদি অমদা থেংনখ্রে।

ষ্টদি অসিগী মরমদা ফোঙদোক্লদুনা ইমোরি য়ুনিভর্সিটি স্কুল ওফ মেদিসিনগী গাইনিকোলোজি এন্দ ওবষ্টেট্রিক্স দিপার্টমেন্টকী ডা. দেনিজ জেমিসননা হায়, কোরোনাভাইরসকী ওইনা য়েংবদা মীরোনবী নুপীশিং রিস্ক ৱাংই হায়বগী ইভিদেন্সশিংবু ষ্টদি অসিনা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লে।

মসিনা মমাশিং অদুনা পোল্লক্কদৌরিবা মচাশিং অদুবু রিস্ক লৈহল্লি হায়নসু দিমোনষ্ট্রেট তৌই, ভাইরস অসিনা অপীকপা অঙাং অদুদা ইনফেক্ট তৌদ্রফাওবদা এফেক্ট তৌহনবা য়াই হায়নসু ডা. দেনিজ জেমিসননা ফোঙদোক্লি।

রিপোর্ট অমদা রিসার্ছরশিংনা চহী অসিগী জেন্যুৱারী ২২দগী ওক্টোবর ৩ ফাওবগী মরক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবা থেংনখিবা মশাগী চহী ১৫ দগী ৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপী ৪৬১,৮২৫গী দেটা রিভিয়ু তৌখি হায়রি। মখোয়না কোরোনাভাইরসকী লাইওংশিং উৎথোকপা মীওইশিংখক্তংদা মীৎয়েং থল্লম্মী।

মদুদা মখোয়না থেংনখি মদুদি, নুপীশিং অদুগী মরক্তগী মীরোনবী নুপীশিংনা ইন্টেন্সিব ক্যের হেন্না মথৌ তাবা য়াই। মীরোনবী নুপী ১০০০গী মনুংদা ১০.৫ আই সী য়ুদা এদমিট তৌবা মতমদা অতোপ্পা নুপী ১০০০গী মনুংদা ৩.৯খক্তং আই সী য়ুদা এদমিট তৌখি।

ভেন্টিলেটরগী মথৌ তাবা য়াবগী চাংসু মীরোনবী নুপীশিংনা অতোপ্পা নুপীশিংদগী শরুক অহুম হেল্লম্মী। লংস অমসুং হার্ট সপোর্টকীদমক ওক্সিজেন মথৌ তাবগী চাংসু ৱাংলম্মী।

লায়না অসিনা মরম ওইরগা শিবা য়াবগী চাংসু মীরোনবী নুপী ১০০০গী মনুংদা ১.৫ ওইবা মতমদা অতোপ্পা নুপীশিংগীনা ১০০০গী মনুংদা ১.২খক্তং ওইরম্মী।

রিসার্ছরশিংগী টিম অদুনা ফোঙদোকখি মদুদি, মীরোল্লবসু মীরোন্দ্রবসু মশাগী চহী ৩৫গী মথক্তা লৈবা নুপীশিংদনা হেন্না ফিভম শোক্লা নাবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ।

রিসার্ছরশিং অদুনা হায়, মীরোনবী নুপীশিংদনা হেন্না শাথিনা নাবা য়াবগী ওইথোকপা ৱাংলিবা অসি মীরোনবা মতমদা হার্ট রেট হেনগৎলকপা অমদি লং কেপাসিটি হন্থরকপা য়াওনা ফিজিওলোজিকেলগী অহোংবশিং লাকপদগী ওইরম্বা য়াই।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা য়াম্না থীনা নাহনবা অমদি শিবনচিংবগী রিস্ক হন্থহন্নবগীদমক লায়না অসিগী লাইওংশিং মশাদা লৈরকপা মতমদা মেদিকেলগী তেংবাং লৌবগী মরুওইবশিংগী মতাংদা মীরোনবী নুপীশিংবু কাউন্সেলিং তৌবিগদবনি। অমদি হেল্থ সেন্টরদা চেক চৎপা য়াওনা অনা-লায়েংগী থবক থৌরম চৎপা খুদিংদা মীরোনবী নুপী মশা অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ভাইরস অসিদগী ঙাকথোক্লবগী চেকশিন থৌরাং খুদিংমক য়াম্না চেকশিন্না ঙাক্কদবনি হায়নসু রিসার্ছরশিংগী টিম অদুনা হায়রি।

কোরোনাভাইরসকী ইনফেক্সন লৈবা মীরোনবী নুপীশিং মতম শুদ্রিঙৈদা অঙাং পোকপা য়াবগী চাং ৱাংই হায়নসু সী দি সীগী রিসার্ছরশিংনা থেংনখি।

চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ২৯দগী ওক্টোবর ১৪ ফাওবগী মনুংদা কোভিদ-১৯ দাইগ্নোজ তৌখিবী নুপী ৪,৪৪২গী মরমদা রিসার্ছরশিংগী টিম অমনা ষ্টদি তৌখি। লাইব বার্থ ৩,৯১২গী মনুংদা চাদা ১২.৯দি থা শুদ্রিঙৈদা পোকপা ওইখি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ওইনদি কুমজা ২০১৯দা থা শুদনা পোকপগী চাং চাদা ১০.২ খক্তং ওইখি।

সী দি সীনা হায়রি মদুদি, থা শুদনা য়াম্না ঙনমন্না পোকপা অঙাংশিং শিবা অমদি শোইনাইবগী রিস্ক ৱাংই।

রিসার্ছরশিংগী টিম অদুনা অপীকপা অঙাংশিং কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা চাদা ২.৬ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। অঙাং পোল্লবা মতুং চয়োল অমগী মনুংদা কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইখিবা মমাশিংগী অপীকপা মচাশিংদনা কোরোভাইরস ইনফেক্সনগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা থেংনখি।

ডা. দেনিজ জেমিসননা হায়, কোভিদ-১৯না নারবা মীরোনবী নুপীশিং আই সী য়ুদা এদমিট তৌবগী চাং অসি চাদা ১ য়ৌদে। অদুমওইনমক অতোপ্পা নুপীশিংগা য়েংনবদদি মীরোনবী নুপীশিংনা রিস্ক ৱাংই। মরম অদুনা মীরোনবী নুপীশিংনা মখোয় মশাগী ময়ূমদা ওইরফাওবদা মী পূনবদা য়াওরোইদবনি, মাস্ক উপকদবনি অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্কদবনি।

তোঙান তোঙানবা ভেক্সিন ট্রায়েলশিংদা মীরোনবী নুপীশিংসু য়াওহনবা মথৌ তাই। অদু ওইরবদি ভেক্সিন অমা ফংলকপা মতমদা মদু মীরোনবী নুপীশিংগী ওইনা খুদোংথীনিংঙাই ওইদবরা অমদি কয়ামুক কান্নবগে হায়বদু খঙবা ঙমগনি হায়নসু ডা. দেনিজ জেমিসননা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**য়ুম্নাম অমুসনা, লাংমৈদোং মমাং লৈকায়**

হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌরিবা অসি য়াম্না চিংননিংঙাই ওই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরমদি য়ূমদগী মপান থোক্তবা অনাবশিংসু অরুবা ফীভম ওইরকপদগী হোস্পিটালদা অনা-লায়েংনবা চৎপদা তঙাইফদনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌরুবদা অদুমক কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী থৌওং কয়া লাক্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌরিবনি হায়দুনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা শেল চাওনা-চাওনা লৌরিবা অসিগী মতাংদসু মরী লৈনবশিংনা য়াম্না কুপ্পা য়েংশিনহন্নিংই। টেষ্ট তৌরুবনা পোজিটভ ওইরে অমদি তৌদবা মীওইশিংনা নেগেটিভ ওইরে। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা টিম অমনা কদাই ফাওবা চুম্বনো হায়বসু থীগৎহন্নিংই। ষ্টেটকী শেনমিৎলোন ফগৎহন্নবগী পান্দমদা লোকদাউন হাংদোক্লবনিনা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাংলোনশিং মপুং ফানা ঙাক্লা চৎনহন্দুনা মহৌশাগুম্না কৈথেলশিং মপুং ফানা হাংদোকহন্নিংই। নৎত্রবদি ষ্টেট অসিগী শেনমিৎলোন খম থেংনা শোক্লকপা খক নত্তনা লৈত-লায়রবা মীওই কয়াগী মরক্তসু শেল লৈতবদগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈরক্তবনা অশি-অনা শোয়দনা য়াওনরক্লগনি। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ৱানরিবা চৈরক অসিদা লৌরোক পাম্থা য়ৌরল্লবসু নোং তারকপা অমদি ৱাহিক তারকপা মরম্না লৌমিশিং ৱানরে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা লৌমিশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিসু য়েংশিনবিয়ু।



**কিরনজিৎ মাইবম, নম্বোল কোংখাম মখা**

ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়েংলগা লৈঙাক্লা লোকদাউনসু হাংদোক্তুনা কৈথেলশিং হাংবগী অয়াবা পীরবনিনা তঙাইফদনা মীয়াম তিনবা মফমশিংদা খুৎশা শেংনা হামদোক্লবা হেন্দ ৱাসিং সেন্টরশিং থম্নবগী থৌরাং পায়খৎহন্নিংই। হায়রিবা হেন্দ ৱাসিং সেন্টরশিং অসিদা হেন্দ সেনিটাইজর অমদি মাস্কনচিংবা পোৎলমশিংসু থম্বিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাংলোনশিং মচা খায়না ইদুনা মীয়ামদা খঙহন্নবা থবক তৌহন্নিংই। নোংম-নোংমগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা অমদি শিবগী চাং হেনগৎলক্তুনা লাইচৎ অসিগী লুরবা তানফম অসিদা লৈঙাক্কী মরক্তা থোক্লিবা পোলিটিক্সকী চরাংনবশিং থোকহন্নিংদে। মরম অদুনা লৈবাক্কী মরুওইবা লুচিংবশিংনা ওইরিবা ফীভম অসিদা পোলিটিক্স তৌবগী মহুৎতা মীয়ামনা হৌজিক থেংনরিবা অৱাবশিং অসিদগী মতৌ করম্না কোকহনসিগে হায়বগী ৱাফমলোমদা ওইনা পুশিল্লক্তুনা থবক তৌহন্নিংই। লায়ইনা-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা লমদম অসিদা লৈরিবা লৈত-লাইরা অমদি ইনাকখুনবা মীপুম খুদিংমক্লা থোং চপ মান্ননা লেপমিন্নবা চঙই। লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবা হায়বা অসি মীওই কাংলুপ খরা খক্লা হোৎনবা খক্তনা ঙম্লোই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# লেবর কার্দশিং য়েন্থোকখ্রে

থৌবাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) : থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল (টি এম সী) গী ৱার্দ নম্বর ৯গী ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা কোভিদ-১৯গী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱ্যের্নেস পাঙথোক্তুনা অমদি লেবর কার্দ, দিসএবল্ড সর্টিফিকেট অমসুং হীদাক লূপ্পবা কাঞ্জলশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙরাং থৌবাল ময়ায় লৈকায়গী মীপূনশঙদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর, দি পি এম সী ঐচ বসন্ত, দিষ্ট্রিক্ট ভেক্টর বোর্ন দিজিজ কন্ট্রোল প্রোগ্রাম থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট কন্সলটেন্ট সী ঐচ ভানিস্না, টেক্নিকেল সুপরভাইজর টি ঐচ রোমেন, লৈকায় অদোমগী অহল ওইরবশিং দল্লিয়ু তোম্বী, দল্লিয়ু মনাও, দল্লিয়ু ইবোমচা, দল্লিয়ু শামু, দল্লিয়ু ইবোতোম্বী, এল বাবু অমসুং এ কে নিংথৌনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র থৌবালনা পীবা টি এম সী ৱার্দ নম্বর ৯গী মনুংদা লৈবা দিসএবল্ড ওইরবা মীওইশিংদা সোসল ৱেলফেয়র ওফিস থৌবালনা পীবা চীফ মিনিষ্টরস হকশেলগী তেংবাঙ (সী এম ঐচ টি) কার্দশিং, লেবর লোইশঙনা পীবা শিন্মীশিংগী শকখঙ চে (লেবর কার্দ) অমসুং এন ভি বি দি সী পি থৌবালনা লৈকায় অদুগী আশাশিংদা পীরকপা হীদাক লূপ্পবা কাঞ্জলশিং থৌরম অদুদা য়েন্থোকখি। লোয়ননা দি পি এম সী ঐচ বসন্তনা কোভিদ-১৯গী মরমদা অদুগা এন ভি বি দি সী পি থৌবালগী কন্সলটেন্ট ভানিস্নানা মলেরিয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া শুগাইনা থমখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৬।১১।২০২০ ইং, ইরাই; অয়ুক্কী পুং ৭.২৮ ফাওবা মেরাগী ২০নি পানবা, মতুং ২১নি পানগনি।

**মেষ :** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি ৱাঙাঙ চেকশিনগদবা নুমিৎনি। অরং অরাক মাঙবা য়াবা লৈ। অদুবু লল্লোন ইতিক কান্নগনি অমদি মরুপকী মতেং ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**বৃষ :** নীংঙকপা থবক্তা খূৎ থাবা তৌগনু অমদি নথক থোংবনা য়েৎলকপা য়াবা থৌ পাংগনু। অদুবু ঙাঙ-শকপা অমদি থৌরম য়াৎপা হৈবনা মীংচৎ ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাংতক্লগনু য়াইফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিথুন :** হরাওবা নুংঙাইবা, মীচং খোম্বা কান্নবা অমদি লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং চাওনা ফংগদবা নুমিৎনি। নচা ননাই চাওখৎকনি। মীতোপ লোয়নবদি চেকশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট :** অনম তানবদা মরুপ মপাংগা নুংঙাইনদবা লৈগনি। লৈঙাক্কী লম্দা নোল্লুক্লা চৎপা মথৌ তাগনি। শেল-থুমগী অমদি অরং-অরাক্কী লম্দা কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নাপল থাদোকউ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** অয়াম্বা লম্দা কান্নগনি। লল্লোন ইতিক্তা, য়েৎবগী লম্দা, পন্দুনা লৈরুবা শেল থুমগী লম্দা অমদি লেংদবা লন তানশিনবগী লম্দা মায় পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হায়জবা তাবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**কন্যা :** মীনা ইনশিনবা লৌগনু, অখঙ অহৈ শাগনু অমদি য়েক্লবনা পাংগনবা নুমিৎনি। অদুবু লাইবক ফবনা অনীংবা থবক অমদি শেল থুমগী লম্দা মায় পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - খাংবা কল্লু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**তুলা :** অনম তানবা অমদি হেন্না হোয়া ফবা কান্নরোই। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অদুনা থৌয়াম পুবসু তৌগনু। মীয়াম অমদি অঙম্বনা য়ানবা চৎলু। ইমুংগী ৱা তাউ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - কাইনবা নংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**বৃশ্চিক :** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অদুনা অচম্বা চাউ। থবক পনগনি অদুনা নোল্লুক্লা চৎলু। নক্লবা অমদি শাগৈ লোয়ননা চৎনবা হোৎনৌ, অশাওবা ফাথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - কাইনবা য়াবা লৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**ধনু :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগদবা নুমিৎনি অমদি অশা চাওনা অনৌবা থবক্তা খুৎচাও থাবা য়ারগনি। অদুবু অফা অপুন নংবা য়াবা থবক্তা য়াওরুনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মকর :** নচা ননাইগী লম্দা পূক্লিং ৱাই অমদি লৌশিং থোকপা ৱাৎকনি। ইমুং মনুং অমদি মীয়াম্না য়াবা থৌরমদদি থোইনা চাওনা মায় পাক্কনি, শেল চংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** মীয়াম্না ফনা শোন্নবা অমদি খরা ৱারবসু ওইজবা ফংগদবা নুমিৎনি। শক-চু থোকপদি ৱাৎলি অদুনা অনম তানগনু অমদি চরাংনগনু। ঈংথবনা মফরে।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাংবা ফরোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মিন :** অঙম্বনা খোইরাংহনবা অমদি লেংদবা লনগী পেন্দবা খরা লৈগনি-তপথৌ।নিংথিনা শিন্দোক্লগা পাংবদি মায় পাক্কনি অমদি হৈজবা উথোকপা য়াগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মতম ঙাইয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# অম্মোৎপা ৱাখল

### থৱান





*Thawan is a poet and musician from Imphal.*